# হিরো য়ু-১৮ য়ুঠ লীগ ২০১৮
## ট্রাউ এফসি অমদি আইজোল এফসি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ঃ

হিরো য়ুঠ লীগ অন্দর-১৮ গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা ট্রাউ এফসি অমদি আইজোল এফসি মায় পাকখ্রে।

ইম্ফালগী খুমন লম্পাক আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা শান্নখিবা য়ুঠ লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা আইজোল এফসিনা গেংতোক হিমালায়ান স্পোর্টিং ক্লবপু গোল ৮-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।



মায় পাক্লবা আইজোলগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ২৩ সাং দিং লিয়ানানা মিনট ১৩, ৬৮ তা গোল অনী, সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা জর্সি নম্বর ৯ লালরেমলুৱাতানা মিনট ৫৫, ৬৯ দা গোল অনী, জর্সি নম্বর ১১ লালরেমসংগানা মিনট ২৫, জর্সি নম্বর ৪ মেলোরি লালদিনসংগানা মিনট ৭৮ অমদি জর্সি নম্বর ১৩ টিচিতৎরানা মিনট ৭৯ দা গোল অমমম চনখি।

য়ুঠ লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা মণিপুরগী টিম অনী ওইরিবা ট্রাউ এফসি অমদি নেরোকা এফসি অনীনা লম্বা তৌনবদা ট্রাউনা নেরোকাবু গোল ৪-২ দা মায়থিবা পীদুনা নেরোকাদগী ট্রাউনা পোইন্ট ৩ মুনবা ঙমখ্রে।

মেটচ অসি হৌরকপদগী ট্রাউনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নখি। ট্রাউগী মায়কৈদগী ফোরৱার্দ ওইনা শান্নখিবা জর্সি নম্বর ৮ দব্লিউ সদানন্দনা মিনট ৬ চৎপদা মেটচ অসিগী অহানবা গোল চনখি।

গোল চল্লবা মতুংদা নেরোকানা গোল হন্দোক্লবা এটেক্ট কয়া চখ্খি অদুবু গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে।

মেটচ অসিদা ট্রাউগী দিফেন্দর জর্সি নম্বর ৫ ইরোম রাকেসনা মিনট ২৮ চৎপদা টিমগী অনীশুবা গোল চনখি। ট্রাউনা লেপ্পা লৈতনা চখ্খরকখিবা এটেক্টশিংনা মেটচকী মিনট ৩৫ চৎপদা জর্সি নম্বর ১০ ঙাংবম নাওচানা গোল অমগা হাপচিন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবদা ট্রাউনা ৩-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা নেরোকানা শোখ্নবা লৈরিবা গোলশিং অদুবু হন্দোক্লবা কন্না শান্নদুনা মেটচকী মিনট ৫৪ চৎপদা জর্সি নম্বর ২১ নিঙোম্বম হেনরিনা গোল অমা হন্দোকপা ঙমখি।

নেরোকাগী হোৎনবা কনবনা জর্সি নম্বর ২৪ খাইমিনথাং লুংদিমনা মিনট ৬১ দা গোল অমগা হন্দোক্তুনা ৩-২ দা লৈখি।

ট্রাউগী মায়কৈদগী নেরোকানা মখা তানা গোল হন্দোক্তনবা অহেনবা থৌনা শিজিন্নদুনা

| Team | P | W | D | L | GD | Pts |
| --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- |
| Aizawl FC | 2 | 2 | 0 | 0 | 12 | 6 |
| Tiddim Road Athletic Union | 2 | 2 | 0 | 0 | 3 | 6 |
| Gangtok Himalayan Sporting Club | 2 | 0 | 0 | 2 | -9 | 0 |
| North Eastern Re Organising Cultural Association (NEROCA) | 2 | 0 | 0 | 2 | -6 | 0 |

শান্নরকপদগী মেটচকী মিনট ৭৭দা জর্সি নম্বর ১০ ঙাংবম নাওচানা গোল অমগা হাপচিন্দুনা ট্রাউনা ৪-২ দা মাঙজিল থাদুনা মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা ট্রাউগী ভাবকশিংগী পুক্নিং ফাথখি।

মেটচ অসি লোইবা ফাওবদা নেরোকানা অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙমদবনা মেটচ অসিদা ট্রাউগী মখূৎতা ৪-২ দা মায়থিবা নঙখি।

মেটচ অসিদা ট্রাউগী এম মানিসানা, খ্বাইরকপম চীংখৈ মৈতৈ অমদি নেরোকাগী হৈস্নাম ইন্দর রাজতা রেফরিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

# মণিপুরনা গোল্ড ৩ অমদি ব্রোঞ্জ ১ লৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ঃ

স্কুল গেমস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ২৬তগী গুৱাহাটিদা চখ্খরকখিবা ৬৪শুবা নেসনেল স্কুল গেমস বোক্সিং (অন্দর-১৭) গার্লস ২০১৮ দা মণিপুরনা গোল্ড ৩ অমদি ব্রোঞ্জ ১ পুন্না মেডল ৪ লৌবা ঙমখ্রে।

মণিপুরগী মেডল লৌরকখ্রবা বোক্সরশিং অদুদি- নাওরেম বিবি রোজিসানা চনু না কেজি ৫২ দা গোল্ড, থোংঙাম কুঞ্জারানিনা কেজি ৫৪ দা গোল্ড, সোবি জাজোনা কেজি ৫৭ দা গোল্ড অমদি টি সোফিয়া চনুনা কেজি ৪২ দা ব্রোঞ্জ লৌখিবনি।




# মার্সেল আর্টকী নেসনেল কম ট্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

বিষ্ণুপুর, নবেম্বর ৩০ঃ

মার্সেল আর্টসকী ওইবা নেসনেল ট্রেনিং কেম্প কম ট্রাইয়েল সেলেক্সন অমা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক্তা দিসেম্বরগী ১১ দগী ২০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরি। পাঙথোক্কদৌরিবা ট্রেনিং কেম্প অসিগা মরী লৈননা মণিপুর প্রেস ক্লবতা প্রেস কনফরেন্স অমা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া মার্সেল আর্টস ফেদরেসন (এনইআইএমএএফ-জিআইএমএএফ) না শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে।



প্রেস কনফরেন্স অদুদা এনই আই এম এ এ ফ - জিআইএমএএফকী প্রসিদেন্ট এনজি জিট খুমনচানা ফোঙদোকখিবদা গ্লোবেল ইন্টরনেসনেল মার্সেল আর্টস ফেদরেসন (জিআইএমএএফ) কী মেম্বর ওর্গনাইজেসন ওইরিবা এনইআইএমএএফ-জিআইএমএএফ না শীন্দুনা থাইলেন্দগী বেঙ্কোক্তা মথং চহি ২০১৯ গী মার্চ ৮দগী ১৭ ফাওবা পাঙথোক্কদবা মরিশুবা ইন্টরনেসনেল মার্সেল আর্টস গেমসতা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়া টিম শেম্নদা য়াওগদবা ইন্দিয়াগী মার্সেল আর্টসকী শান্নরোইশিংগী ওইনা ট্রেনিং পীনবা অমদি ট্রাইয়েল সেলেক্সন ওইনা ট্রেনিং কেম্প অসি পাঙথোক্কদবনি।

ট্রেনিং কেম্প অসিদা ইন্টরনেসনেল রেফরি কয়ানা মুই থাই, মুই ভোরান, কিক বোক্সিং, কোংফু, করাটি, তাইকুন্দো দা তোঙানবা মার্সেল আর্টসশিংগী ট্রেনিং পীগনি।

খুমন লম্পাক মনুংদা নত্তনা চৈরাও চীং, নোংমাইজিং চীং, সাদু চীরু ৱাটর ফোল, লোক্তাক পাৎ, ম্যান্মরগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদসু ট্রেনিং পীগনি।

লোয়ননা মার্সে আর্টস গ্রেদিংসু তৌগনি হায়রি। মরম অসিনা মণিপুরগী শান্নরোইশিংবু গেমস অসিদা শরুক য়াবীয়ু লোয়ননা মণিপুরগী লৈঙাক অমদি লৈরিবা ওর্গনাইজেসনশিং অমদি মীয়াম্না শৌগৎপীয়ু হায়খি।

প্রেস কনফরেন্স অদুদা এনই আই এম এ এ ফ - জিআইএমএএফ কী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট ডা. ঐচ রোমেন, চিয়রমেন দিভলপমেন্ট কম্মিটি টিঐচ প্রমানন্দ, ভাইস প্রসিদেন্ট এল শিংহজিৎ, জেনরেল সেক্রেটরী আই জুগেশ্বর, ভাইস চিয়রমেনগী পমেশ্বর শর্ম্মা অমদি ওর্গনাইজেসন অসিগী মরুওইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

# হৈলাকানদিনা ধনমঞ্জুরি কাংগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ঃ

মণিপুর কাং এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ২৫দগী টিম ৬না গ্রুপ অনী থোক্তুনা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা মণিপুর কাং শঙদা চখ্খরকপা ২৯শুবা ধনামঞ্জুরি ইনভাইটেসন কাং-টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী চেম্পিয়ন হৈলাকানদি কাংখূৎনা ওইখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা হৈলাকানদি কাংখূৎনা গোপালদেব কাংখূৎপু পাঞ্জল ১১-৯ দা মায়থিবা পীদুনা চখ্খরিবা ২৯শুবা ধনমঞ্জুরি ইনভাইটেসন কাং টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট লমথাদা হৈলাকানদি কাংখূৎকী এল রেবিকা অমদি টিঐচ রেবিনানা ফঙখি।

বেষ্ট চেকফৈদা হৈলাকানদি কাংখূৎকী এল লৈমা হেন অমদি গোপালদেব কাংখূৎকী এল ধয়াপাটিনা ওইখি। টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট প্লেয়রদা গোপালদেব কাংখূৎকী ই মোনিকা অমদি হৈলাকানদি কাংখূৎকী সিঐচ রেবিকানা ফঙখি।

ৱিন্নর ওইখ্রবা হৈলাকানদি কাংখূৎতা ৱিন্নর ট্রোফিগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা ১৫ অমদি রন্নর্স অপ তাখ্রবা গোপালদেব কাংখূৎতা রন্নর্স অপ ট্রোফিগা লোয়ননা লুপা লিশিং ১২ খূৎশিন্নখি।

# ৬৪শুবা নেসনেল স্কুল গেমস ইন তাইকুন্দো ২০১৮
## মণিপুরনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ঃ

য়ুম্বু মণিপুরনা পুন্না পোইন্ট ৩৫ ফঙদুনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন তাদুনা স্কুল গেমস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (এসজিএফআই) গী মীৎয়েং মখাদা গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টসনা শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা য়ুনিট ৩০দগী পুন্না শান্নরোই ৫১২ না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ২৬তগী ৩০ ফাওবা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী তাইকুন্দো ট্রেনিং হোলদা চখ্খরিবা ৬৪শুবা নেসনেল স্কুল গেমস ইন তাইকুন্দো ২০১৮ গী ঙসি লোইশিনখ্রে।




চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী বোইজ টিমদা মণিপুরনা পোইন্ট ২৯ ফঙদুনা অহানবা, নাগালেন্দনা পোইন্ট ১১ ফঙদুনা অনীশুবা অমদি হারিয়ানা পোইন্ট ১০ ফঙদুনা অহুমশুবা তাখি।

গার্লস টিমদা মহারাষ্ট্রনা পোইন্ট ২৩ ফঙদুনা অহানবা, গুজরাটনা পোইন্ট ১৩ ফঙদুনা অনীশুবা, দিল্লি অমদি হারিয়ানা পোইন্ট ১২/ ১২ ফঙদুনা অহুমশুবা তাখ্রে।

চখ্খরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মণিপুরনা গোল্ড ৫, সিলভর ৩ অমদি ব্রোঞ্জ ১ পুন্না মেডল ৯ ফঙবা ঙমখি।

মণিপুরগী গোল্ড মেডল লৌখিবা শান্নরোইশিং অদুদি- সলাম তোন্দোনবা, এ প্রিথিরাজ, মুতুম কিবিদেন, খাইদেম রোবার্ট অমদি টি রাকেস নি।

সিলভর মেডল লৌখিবা শান্নরোইশিং অদুদি-কেঐচ মঙাল, এল সুরচন্দ্র অমদি এস রিকিসননি।

ব্রোঞ্জ লৌখিবা অদুনা এম বানসিকা দেবীনি।

স্কুল গেমস অসি লোইশিনবগী থৌরমদা য়াসকী জোইন্ট ডাইরেক্টর লাক্কীসন এন কাশুং অমদি কেঐচ প্রমোদাগা লোয়ননা স্কুল গেমস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী ওবজরবার আরকে পারিহরনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াদুনা মকোক-মথং তারখ্রবশিংদা মনা-মথুম য়েন্থোকখি।

| UNIT | G | S | B |
| --- | --- | --- | --- |
| MANIPUR | 5 | 3 | 1 |
| HARYANA | 3 | 1 | 4 |
| MAHARASHTRA | 2 | 5 | 2 |
| GUJARAT | 2 | 1 | 7 |
| TAMIL NADU | 2 | 1 | 1 |
| DELHI | 2 | 0 | 3 |
| NAGALAND | 2 | 0 | 1 |
| MADHYA PRADESH | 1 | 2 | 1 |
| BIHAR | 1 | 1 | 0 |
| VIDYA BHARTI | 1 | 0 | 1 |
| GOA | 1 | 0 | 1 |
| CBSE | 0 | 2 | 1 |
| MIZORAM | 0 | 2 | 0 |
| CHANDIGARH | 0 | 1 | 4 |
| ANDRA PRADESH | 0 | 1 | 2 |
| NVS | 0 | 1 | 1 |
| ASSAM | 0 | 1 | 0 |
| KVS | 0 | 0 | 5 |
| KERALA | 0 | 0 | 2 |
| J & K | 0 | 0 | 1 |
| PUNJAB | 0 | 0 | 1 |
| UTTAR PRADESH | 0 | 0 | 1 |
| TELANGANA | 0 | 0 | 1 |
| JHARKHAND | 0 | 0 | 1 |

# তাইকুন্দো অন্দর-১৯ স্কুল গেমসকী ট্রাইয়েল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ঃ

দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা মথং চহি ২০১৯ গী জনুৱারীগী তাং ২দগী ৬ ফাওবা মৈধ্য প্রদেশকী বিদিশাদা পাঙথোক্কদবা ৬৪শুবা নেসনেল স্কুল গেমস ইন তাইকুন্দো (য়ু-১৯) বোইজ এন্দ গার্লস তা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুনবগীদমক চহি অসিগী দিসেম্বর তাং ১৪ অমদি ১৫ দা তাইকুন্দো ট্রেনিং হোল খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ষ্টেট লেভেল ইন্টর স্কুল ট্রাইয়েল কম সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ট্রাইয়েল পাঙথোক্কদবা ৱেঠ কেতেগোরিশিং অদুদি-নুপামচাগী কেজি ৪৫, কেজি ৪৫-৪৮, কেজি ৪৮-৫১, কেজি ৩১-৫৫, কেজি ৫৫-৬৯, কেজি ৫৯-৬৩, কেজি ৬৩-৬৮, কেজি ৬৮-৭৩, কেজি ৭৩-৭৮ অমদি কেজি ৭৮ প্লস নি।

নুপীমচাগী ওইনা কেজি ৪০, কেজি ৪০-৪২, কেজি ৪২-৪৪, কেজি ৪৪-৪৬, কেজি ৪৬-৪৯, কেজি ৪৯-৫২, কেজি ৫২-৫৫, কেজি ৫৫-৫৯, কেজি ৫৯-৬৩, কেজি ৬৩-৬৮ অমদি কেজি ৬৮ প্লস নি।

ট্রাইয়েল কপ সেলেক্সন অসি ক্লাস ১২ ফাওবগী মনুংদা তন্লিবা ২০০০ গী দিসেম্বর ১ নৎত্রগা মতুংদা পোকপা ওইগদবনি।

ট্রাইয়েল য়াওগদবশিংনা মশা-মশাগী অধর কার্দ লোয়নরক্কদবনি। লোয়ননা ইলিজিবিলিটি দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী ওফিসতা ওফিসকী মতমদা লাক্তুনা লৌরবা য়াগনি। ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতমনা দিসেম্বর ১০ নি হায়রি।

# স্কুল গেমস করাটি-দোদা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিংগী মিং লাউথোক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ঃ

স্কুল গেমস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা মৈধ্য প্রদেশতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬৪শুবা নেসনেল স্কুল গেমস ইন করাটি-দো (য়ু-১৭) বোইজ এন্দ গার্লসতা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুগদবা শান্নরোই অমদি ওফিসিয়েলশিংগী মিং লাউথোক্লে।

শান্নরোইশিং অদুদি নুপামচাগীদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী এল ব্লদলি (কেজি ৩৫), এন নিটিস (কেজি ৪০), টিঐচ সুরজ (কেজি ৫৮), এল য়াইফবা (কেজি ৬৬), ৱাই ষ্টেলিন (কেজি ৮২), ইম্ফাল ইষ্টতগী এসএম সিলিকু (কেজি ৪৫), ককচিং দিষ্ট্রিক্টতগী এস জেমস (কেজি ৫০), কে সুরচন্দ্র (কেজি ৫৪) অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতগী দব্লিউ লনহেনবা (কেজি ৭০) নি।

নুপীমচাগীদা- ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী প্রকিটি য়াদব (কেজি ৪০), এম ঙান্থোই (কেজি ৪৪), এন দাইনা চনু (কেজি ৪৮), ককচিং দিষ্ট্রিক্টতগী এল সোফিয়া (কেজি ৫২), এল সরজু (কেজি ৫৬) অমদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী ঐচ সয়ানি (কেজি ৬০) নি।

টিম অসিগী মেনেজর ওইনা ঐচ হেমোলতা অমদি কোচতা এন সোমোবালা নি।

# সেপাকতাক্রৌগী কোচিং কেম্প পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ঃ

দি পোপুলর য়ুনিয়ন ক্লব (পিয়ুসি) কাইরং মনিং লৈকাইনা শীন্দুনা ঙসিদগী হৌদুনা থা অসিগী ওইবা সেপাকতাক্রৌ সেনিয়র মেন এন্দ ৱুমেন নন-রেসিদেন্সিয়েল কোচিং কেম্প অমা ক্লব অসিগী শান্নদা পাঙথোক্লগনি।

কোচিং কেম্প অসিদা মণিপুরগী সেনিয়র কোচশিংনা কোচিং পীগনি।

হায়রিবা কোচিং অসিবু শরুক য়ানিংবা মণিপুরগী সেনিয়র মেন এন্দ ৱুমেনগী প্লেয়রশিংনা ঙসি অয়ুক পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা ক্লব অসিগী সেক্রেটরী সিঐচ জে স্কানদা রিপোর্ট তৌবীয়ু হায়রি।






Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*